## কোভিদ ভাইওলেটরশিংগী কেস ৱিদ্রো তৌরে

সিমলা, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : হিমাচল প্রদেশতা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মনুংদা লৈঙাক্লা থমখিবা কোভিদ প্রোটোকোল থুগায়খিবগী মায়োক্তা মরী লৈনবশিংনা মীওই কয়াগী মথক্তা কেস ফাইল তৌখিবা অদু ৱিদ্রো তৌরে হায়না হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সুখবিন্দর সিংহ সুখুনা ফোঙদোরক্লি।

পেন্দেমিক মনুংদা হিংদবদি য়াদবনিনা হিংনবগীদমক পাম্বৈ থিবা থোক্লকখিবা কয়াসু কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল থুগায়বগীদমক মখোয়গী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখি। মখোয়না ময়ুমদগী থোরক্লিবা অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী খল্লগনি। মরম অদুনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরম্বা কেসশিং ৱিদ্রো তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মনুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনখিবা খুদোংচাদবা কয়া ঙসিসু কাউদ্রি। মীওই কয়ানা চানবগীদমক লম্বীদা থোক্তুনা লাম্হেংনখি। খরনা ময়ুম লৈতবদগী লম্বীদা অহিং য়ারেকখি। অদুবু রুলগী মতুংইন্না হায়রিবা মীওইশিং অসিনা কোভিদ প্রোটোকোল থুগায়খি হায়দুনা কেস ফাইল তৌখিবনি।

## কন্সটিট্যুসনগী মখাদা জজশিং হাপখিবনি রিজার্ভেসনদা জজ হাপখিবা লৈতে ঃ কিরেন রিজিজু

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্ট অমদি হায় কোর্টকী জজশিং হাপখিবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা হঙলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না জজশিং হাপখিবনি, রিজার্ভেসনদা জজ হাপ্পগী থবক লৈঙাক অসিনা তৌখিবা লৈতে হায়রি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা লো মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১২৪, ২১৭ অমসুং ২২৪ গী মখাদা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টকী জজশিং হাপখিবনি। কন্সটিট্যুসনশিং অসিগী মতুংইন্না জজশিং হাপ্পদা রিজার্ভেসনগী চৎনবী লৈতে। অদুম ওইনমক সেন্টরনা হায় কোর্টকী জজশিং হাপ্পা মতমদা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস, মাইনোরিটিস অমসুং নুপীশিংগী ওইনা রিজার্ভেসন লৈহন্নবা চীফ জষ্টিসতা হায়জখিবা লৈখ্রে। থবক তৌবদা হেন্না নুংঙাইহন্নবগীদমক হায়রিবা কাষ্ট নত্রগা ক্লাসশিং অসিগী রিজার্ভেসন লৈহন্নবা হায় কোর্টতা হায়জখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংদা জজ ১১০৮ লৈগদবগী মনুংদা জজ ৭৭৫ না থবক তৌরি। হায়রিবা জজ ৭৭৫ অসিগী মনুংদা ১০৬ না নুপীনি। নুপী জজ মশিং অসিগী মতুংইন্না চাদা ৯.৫ দি নুপীগী রিজার্ভেসন লৈ হায়বা য়ারে।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্টশিংগী জুদিসিএল ওফিসর অমসুং সব ওর্দিনেট কোর্টকী জজশিং হাপ্পগী থবক্লা হায় কোর্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী অপুনবা থবকনি। হৌজিক হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা জজশিং হাপ্পবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা য়েংশিনবগী থবক চথুরি। এফ টি এস সী স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ফাষ্ট ট্রেক স্পিসল কোর্ট ৭৬৮ লিংখৎখ্রে। হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা রেপ কেস অমসুং পোক্সো কেসকী ৱায়েল থুনা চথবদা মতেং ওইনবগীদমক পোক্সো কোর্ট ৪১৮ য়াওরি। মসিগী মথক্তা সেন্টরনা মখা তানা পেন্দিং লৈরিবা কেসশিং মতৌ করম্না লোয়শিনগদগে হায়বগী মতাংদা থবক তৌরি হায়না লো মিনিষ্টর রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক হোৎনরি হায়রি।

## অচুম্বা পুথোকপা পাম্বগী ৱাখল্লোন কৈদৌনুংদা মাঙহনবা ঙম্লোই ঃ সিদিকি কাপন

লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : কেরলাগী জর্নেলিষ্ট সিদিকি কাপন ঙসি জেলদগী থাদোরকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা ফোঙদোকখিবদা অচুম্বা তৌবা পাম্বা মীওইশিংদি জেলদা হঞ্জিন হঞ্জিন থাজিল্লবসু মখোয়গী ৱাখল্লোন কৈদৌনুংদা হোঙহনবা ঙম্লোই হায়রি।



পাউমীশিংনা হঙবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা জর্নেলিষ্ট সিদিকিনা ফোঙদোকখিবদা জেল মনুংদা মহাক চহী ২ হেন্না লৈরুরে। মহাক্না জেলদা লৈরিঙৈদা অপোকপী মমা লৈখিদ্রে। মসি মহাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লায়বক থিবা থৌদোক অমনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐ জেলদগী থোরক্লে, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মহাক দেল্লিদা চৎকনি অমদি মফমদুদা চয়োল ৬ লৈগনি অমদি মখা তানা অচুম্বগীদমক থবক তৌগনি হায়রি।

অমরোমদা, কাপনগী লোয়নবী রাইহানানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মপুরোয়বা সিদিকি মরাল লৈতে হায়বা খঙবদগী সুপ্রিম কোর্টনা মহাকপু য়ু এ পি এ কেসতগী বেল পীরকখিবনি। মহাক্না জেলদা লৈরকখিবা মতম চহী অনীমখায় অসি অতেনবা মতম নত্তে। মহাক্কী মপুরোয়বনা জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা অৱাবা কয়া মখোয়না মায়োক্লখি। অদুবু থেংলবসু থেংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লকপগীদমক মরী লৈনবশিংবু থাগৎপা পোকই। মহাক্কী মপুরোয়বা কাপন জর্নেলিষ্ট অমনি হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা য়ু পিগী টাউন অমদা দলিট নুপী অমা রেপ তৌদুনা হাৎখিবগী মতাংদা মহাক্কী মপুরোয়বা পাউ লৌবা চৎখিবনি। অদুবু মহাক্কী মপুরোয়বনা লৈখিদ্রবী রেপ ভিক্টিম অদুগী মতাংদা মীয়াম মরক্তা চরাংনবশিং থোহল্লে হায়বগী মরালদা ফাজিনখিবনি। ঐখোয়গী ইচা অহুম লৈ। মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মপাগা লাপ্পনা লৈখিবনা নীংবা থুংদবা কয়া লৈখি। অদুবু মহাক্কী মচাশিংনা সিদিকি কাপন মখোয়গী অপোকপা মপানি হায়না অকিবা লৈতনা মীয়াম মমাঙদা হায়দুনা লাক্লি। মসিমক মহাক্কী ওইনদি লায়বক ফবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, অথিংবা থমখ্রবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগা কাপনগা মরী লৈনৈ হায়না পুলিসনা চার্জ তৌখিবগা লোয়ননা অনলোফুল এক্টিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা কাপন ফাজিনখিবনি।

## ফেব্রুৱারী ৪ অমসুং ৫ দা বি জে পিনা রেল্লি পাঙথোক্কনি



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : সেন্টরনা ঙরাং পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বদজেট অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা ৱাখল তাহন্নবগীদমক থা অসিগী ৪ অমসুং ৫ দা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেল্লিশিং পাঙথোক্লগনি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক শিনবা থুংনা বদজেটকী মতাংদা প্রেস কনফরেন্সশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা ৱাখল তাহনগনি। প্রেস কনফরেন্স পাঙথোকপা মতমদা মফম মফমদুগী ওইবা ইন্টলেকচুএলশিং অমদি প্রোমিনেন্ট সিটিজেন্টশিং য়াওহনগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা চ্যের লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টরশিং এসাইন তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা জম্মুদা চৎকনি। অদুগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (টুরিজম) জি কিসন রেদিনা কোচিদা চৎকনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ওন্ট্রাপ্রেনসিপ, স্কিল দিভেলপমেন্ট, ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ টেক্নোলোজি রজিভ বি চন্দ্রসেখরনা কোইম্বটোরদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর ষ্টেট ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরস এন্দ কলচর আর্জুন রামনা রায়পুরদা চৎকনি। চপ মান্ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু মিনিষ্টর অমমম এসাইন তৌরগনি হায়রি।

## দ্রগ লৈনবা শেল পীয়ু য়াদবগীদমক অপোকপা মপা হাৎখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : দ্রগ লৈনবগীদমক শেল পীয়ু য়াদে হায়দুনা অপোকপা মপাগা নিংঙাই শঙদানরবা মতুং মপাবু হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ঙসি ফারে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা সুরেস কুমার সাকুরপুর ভিলেজদগীনি। ভিলেজ অসিদা লৈবা মীওইশিংনা মপা মচা খৎনরে হায়বগী পাউ পুলিসতা পীরক্লবা মতুং মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা সুরেস কুমার লৈমায়দা শোক্তুনা তাবা থেংনখি। মহাক্কী নাকোং নাম্মদগী ঈ কা হেন্না থোরকপসু উখি। খুদক্তা মহাকপু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথুনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক দোক্টরশিংনা মহাকপু শিনা পুখৎলক্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অমরোমদা, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মচানুপা অজয় ঙসি ফারে হায়রি।

## লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১২৮ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১২৮ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১২৮ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮৩,০২৩ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭৬৩ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমা শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪১ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি।

## মুসোরিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা গ্রিন ট্রিব্যুনেলনা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) : মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা উট্টরখন্দগী মনুংচনবা লম কোয়বা কয়াগী পুক্লিং চিংশিনফম ওইরিবা জোসিমাথ টাউনদা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুং মুসোরিগী হিল ষ্টেসন করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে অমদি মহৌশাগী ওইবা য়ৈখায় থিনগায়বদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা য়েংশিন্নবগীদমক নেসনল গ্রিন ট্রিব্যুনেলনা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৯ না শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিন্নবা পাওতাক পীখ্রে।



জোসিমাথ টাউনদা থোকখিবা তমথিরবা থৌদোক অদুগী মতুংদা ট্রিব্যুনেল অসিনা সুও মোতু কেস লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা মুসোরিদসু থৌদোক অসিগা মান্ননা থোক্লককপা য়াই চিংনবদগী থিজিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মরম চাদনা বিল্ডিংশিং শাদনবসু খঙহনখ্রে। জুদিসিএল মেম্বর জষ্টিস সুদির অগর্বাল অমদি এক্সপার্ট মেম্বরশিং এ সেন্থিল বেল অমসুং অফ্রোস অহমদকী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখিবদা ইকো সেন্সিটিভ এরিয়াশিংগী মতাংদা থিজিনবগী মহুৎতা মুসোরিদা থিজিন্নবগীদমক অখন্নবা ওর্দর অসি পীখিবনি। থিজিনবগী থবক্তা মফম অদুদা কন্সট্রক্সনগী থবক কয়া য়াম্না চথুরিবগে অমদি চথুরিবা কন্সট্রক্সনগী থবকশিংদু লিগেল ওইবা মওংদা চথুরিবরা হায়বদু য়েংশিনগদবনি। বেঞ্চ অসিনা মীওই ৯ না শাবা জোইন্ট কম্মিটি অমসু শেমখ্রে। হায়রিবা কম্মিটি অসি উট্টরখন্দগী চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংগনি হায়রি।

কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা মেম্বরশিংদি সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, এ সী এস ইনভাইরনমেন্ট, ৱাদিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালিয়ন জিওলোজি, গোবিন্দ বালভ পান্ট নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালয়া এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হায়দ্রোলোজি, স্পেস এপ্লিকেসন সেন্টর অমসুং নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ রোক মেকানিক্সনি। হায়রিবা টিম অসিনা মুসোরিগী মতাংদা এপ্রিল থাগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়রি।


### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 30/SDC/(S) of 2023 Date: 01/02/2023**

App :-
1. Rajkumar Manijoy Singh S/o (L) Rajmani Singh of Ningthoukhong Ward No. 6.
2. Rajkumari Ongbi Lukhoibi Devi W/o Rajkumar Bimol Singh of Wangoo Tera Lupa Marup.
3. Rajkumar Abo Singh S/o Rajkumar Bimol Singh of Wangoo Tera Lupa Marup.

-Vs-

Opp :- (L) Rajkumar Manishana Singh S/o (L) Manaoton Singh of Wangoo.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dated : 01/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85-Wangoo পাট্টা নং 835 (New) দাগ নং 3411 এরিয়া 0.73 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/5872/03

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mutation Case No. 28 of 01-02-2023**

1. Laishram Babu Singh S/o (L) L. Mohori Singh.
2. Laishram Birohini Devi W/o (L) L. Itocha Singh.
3. Laishram Janeshwor Singh S/o (L) L. Mohori Singh.
all of Narankonjin Mayai Leikai. -Applicants

-Vs-

(L) Leishangthem (N) Laishram (O) Ibeton Devi W/o (L) L. Mohori Singh of Narankonjin. -OPP

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Lilong Chajing Dated : 2nd Feb. 2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত্ ওইখ্রবী Pattadari Leishangthem (N) Laishram (O) Ibeton Devi W/o (L) L. Mohori Singh of Narankonjin গী মীংদা পানবা খুল নং 73-Narankonjin Patta No. 9 অরিবা 158 অনৌবা CS Dag No. 300 গী এরিয়া 0.47 একর চাওবা ফৌরেল Petitioners শিংনা মখোয়গী মীংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC - Lilong Chajing, Imphal West কী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপীদুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/5870/03

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 29/SDC/(S) of 2023 Date: 01/02/2023**

App :-
1. Khangembam Manimohon Singh S/o Kullachandra Singh of Oinam Awang Leikai, Bishnupur District.
2. Boss Khangembam S/o Chandradhaja Singh of Ningthoukhong Kha Leikai.

-Vs-

Opp :- (L) Thokchom (N) Ningthemcha (O) Tombi Devi W/o Rajmanishana Rajkumar of Wangoo.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dated : 01/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85-Wangoo পাট্টা নং 532 (New) দাগ নং 4112 এরিয়া 1.30 একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/5872/03

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mutation Case No. 16 of 2023 Dated: 01-02-2023**

1. Sorenshangbam Indira Devi W/o (L) S. Nilo Singh.
2. Sorenshangbam Padam Singh S/o (L) S. Nilo Singh.
3. Brojendro Sorenshangbam.
4. Telheiba Sorenshangbam.
5. S. Sanatomba Singh.
6. S. Langamba Singh.
7. S. Shantikumar.
8. S. Ranbir Sorenshangbam
all of Singjamei Makha Naorem Leikai. -Applicants

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Lilong Chajing Dated : 2nd Feb. 2023

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত্ ওইখ্রবা Pattadar Shri Sorenshangbam Nilo Singh S/o (L) S. Mera Singh of Naorem Leikai দা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাই, অরিবা পাট্টা নং ২৬, অনৌবা পাট্টা নং ২০৮/৪৭১, দাগ নং ১৩ এরিয়া ০.৬২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা Objection থমখিবা মীওইশিং অসিনা Objection লৌথোকপীরো হায়দুনা SDC - Lilong Chajing, গী Office তা দরখাষ্ট থাররে, মরম অদুনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Office অসিদা লাকপীদুনা য়েৎলবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/5870/03

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mutation Case No. 27 of 2023 Dated: 01-02-2023**

1. Laishram Babu Singh S/o (L) L. Mohori Singh.
2. Laishram Birohini Devi W/o (L) L. Itocha Singh.
3. Laishram Janeshwor Singh S/o (L) L. Mohori Singh.
all of Narankonjin Mayai Leikai. -Applicants

-Vs-

(L) Laishram Mohori Singh S/o (L) L. Chaoba Singh of Narankonjin. -OPP

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Lilong Chajing Dated : 2nd Feb. 2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত্ ওইখ্রবা Pattadar Laishram Mohori Singh S/o (L) L. Chaoba Singh of Narankonjin গী মীংদা পানবা খুল নং 73-Narankonjin Patta No. 215 অরিবা 152 অনৌবা CS Dag No. 299 গী এরিয়া 1.31 acre গী মনুংদগী নোংচুপ থংবদা .83 একর চাওবা ফৌরেল Petitioners শিংনা মখোয়গী মীংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC - Lilong Chajing, Imphal West কী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপীদুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/5870/03

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 24/SDC/SLG/IE of 2023**

Parties:-
1) Lairellakpam Lata Devi W/o (L) Shyam Singh of Chingarel Tejpur (.055 East)
2) Lairellakpam Sanajaoba Singh S/o Raghumani Singh of Chingarel Tejpur (.055 Middle)
3) Lairellakpam (N) Wahengbam (O) Bidyapati Devi W/o Premananda Singh of Chingarel Tejpur (.055 West)
-Petitioners

-Vs-

Late Pattadar:-
Lairellakpam Raghumani Singh S/o (L) Amuba Singh of Tejpur.
-Opposite Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Sagolmang, the 1/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 31-Waiton পাটা নং 317 (অরিবা) 1072 (অনৌবা) দাগ নং 3211 মোট এরিয়া .165 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/5871/03

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 25/SDC/SLG/IE of 2023**

Parties:-
1) Phijam Ibechaobi Devi W/o Wahengbam Ibocha Singh of Kongpal Ningthoubung Leikai.
2) Koijam (O) Gomti Devi W/o Yumjao Singh of Pangei Thambou Lampak. -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar:-
Phijam Brojen Singh S/o (L) Indra Singh of Khurai Thongam Leikai. -Opposite Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Sagolmang, the 1/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 31-Waiton পাটা নং 382 (অরিবা) 1532 (অনৌবা) দাগ নং 1271 মোট এরিয়া .36 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/5871/03

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 26/SDC/SLG/IE of 2023**

Parties:-
Pangeijam Tomba Singh S/o (L) Thambal Singh of Khabam Lai Haraopham Kontha Khabam. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar:-
1. Pangeijam Thambal Singh S/o (L) Thabal Singh of Taorem.
2. Pangeijam Leibakmacha Singh S/o (L) Angou Singh of Taorem. -Opposite Parties

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Sagolmang, the 1/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 10-Taorem পাটা নং 46 (অরিবা) 125 (অনৌবা) দাগ নং 89 মোট এরিয়া 2.18 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/5871/03

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mutation Case No. 10/SDC/Oinam of 2023**

1) Kangjam Bimol Singh S/o (L) Tombi Singh of Keinou Thongthak Maning Leikai. (0.05 Acre)
2) - do - Jeken Singh S/o - do - of - do - (0.05 Acre)
3) Kangjam (N) Laishram Nganbi Devi D/o (L) Tombi Singh of - do - (0.02 Acre)
4) Kangjam Budha Singh S/o (L) - do - of - do - (0.05 Acre)
5) - do - Tolen Singh S/o (L) - do - of - do - (0.05 Acre)
6) - do - Avinash Singh S/o (L) Nanao Singh of - do - (0.05 Acre)
7) - do - Malemnganba Singh S/o (L) Nanao Singh of - do - (0.05 Acre)
-Petitioners

-Vs-

(L) Kangjam Tombi Singh S/o (L) Kangjam Chaoba Singh of Keinou. -O.P

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dtd. 01/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 32-Keinou (1) Patta No. 32/5 (O) 32/133 (N) Dag No. 553 Area 0.27 Class Ingkhol অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিশিংনা মাগী মাগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Patta অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/5869/03